থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# এফ সী আই গোদাউন-মফম চাদ্রে হোংদোকসি

মণিপুরদা লোকচবা ফৌ-চেঙগী পোথোক্লা, লমদমসিগী মীয়াম্না মপুক থন্না পীজবা ঙমদ্রে হায়বসিবুদি অনৌবা ৱাফম নৎত্রবনি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মমাঙদা থোকখিবা নুপীলান হায়বদু (দিসেম্বর ১২, ১৯৩৯) ফৌ-চেঙ মরাং কায়না কায়না মীয়াম চাবা ফংলকখিদবা, চেঙ ৱানফম কৈথেলদা চেঙ ফংলকখিদবদগী হৌরকখিবা নুপীশিংগী ঈরাংনি। ইকুই কুইদনা থোক্লকখি জপান-লান হায়নখিবা মালেমগী অনীশুবা অচৌবা লান। লাঞ্জাওদুগী লানফম অমা ওইখি মণিপুর’সিদসু। লান নংলবা মণিপুরগী মীয়াম্না থেংনখিবা অৱা-চৈথেং, অঙনবা মতমগী খোরীলোন-শুবা মণিপুরগী অইবশিংনা ইরম্বা ৱারীমচা অমদি উপন্যাসতগী তপ্না তপ্না শক্লাক্লকই, হকথেংনহৌবা অহলশিংনা লীবীরম্বা ৱারীদগী খঙহৌই। শাংলবা লান মনুংদুদা লৌউ-শিংউ থবক্তগী লাপ্লুবা, ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবা লৈরুবদুনা হিংবদা পীবা চৈথেং অদু থেংননবা ‘অসাম-ব্যাপার’ (অসামদা চৎতুনা লল্লোনবা) হায়বা শিনফম অমা হৌদোক্লকখি। লান লোইরবা মতুং ইকুই কুইদনা বৃটিশ’না ইন্দিয়া থাদোকখি। নীংতম্লবা মণিপুর, নীং তম্বদা ঙায়রিবা ইন্দিয়াদা পুনশিনখি। অপীকপা উচেক্কী অপীকপা মহুম অমগুম লৈরম্বা মণিপুর, অচৌবা লৈবাক অমগী পীক্লবা শরুক অমা ওইরকখি। অপীকপা ষঞ্জাবুং অমা, শা মখল পুম্নমক্কী শজিক চাফম ওইরকখি, পীক্লবা পাৎ অমদা উচেক পুম্নমক্কী চাক্তাফম ওইরকখি। খুজিন মমায়গুম্বা মণিপুর, শুপচিল্লবা ইন্দিয়া অমগী মশক লৌরকখি। ফৌ লাইতং অমনা লেম্না-পানা থাক্লম্বা ইমুং, শঙবায় তরা লৈরবসু কোন্নরোইদবা থাক্তুনি।

মচোই মচোই লৈরম্বা লৈবাকশিংনা পুল্লকপা, অচৌবা লৈবাক অমা ওইরক্লবা তুংদদি হৈফাৎত্রিবা লৈঙাক্তুগী খ্বাইদই চাউবা থৌদাংসি চেঙ অমসুং গেহু মীয়ামদা করম্না ফংহনগনি হায়বা



থৌশিলদুনা ওইরকখি। কুমজা ১৯৬৪ ফুদ কোর্পোরেসন এক্ট শেম্লকখি, কুমজা ১৯৬৫, জন্যুৱারি ১৪ দা ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিংখৎখি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা চেঙ পৈফম (গোদাউন) লিংখৎলকপদুদা ইম্ফালদসু অমা লিংখৎলকখি। গোদাউন অদু সঙাইপ্রৌদা লৈ। ‘সঙাইপ্রৌ- ঐগী লৈকায়সিগা য়ুম্লোন্নবা লৈকায়নি।

গোদাউন অসি শাদ্রিবঁঙে, অপাকপা লৌবুক ওইনা লৈরিবঁঙেগী দৃশ্যদু মীৎসিদা শং শং উরি। ইবোক্লা লোইরম্বা ষন হল্লক্তদুনা খাতোন-ইবোপিশক্পা লোয়ননা ষন-থিবা চৎখিবা, নাক-য়েৎ, মাঙ-তুং তাম্না য়েংখিবা পুমশং শংবা লমহাংনি। ঙসিগী এফ সী আই রোদ- গাড়ী অনী থৈনবা য়াদবা পীক্লবা লম্বী ওইরম্বনি, য়ুম্নাক খুদিংগী কোম্থোং মপা চাউরবা পুখ্রি অমমম, পুখ্রিদুগী মমাঙসু শাংলবা পাৎ, লৈকায় লান্না পুরকপা ঈশিং-ঈরম ওইরম্মী। মণিপুর পুম্বই মীয়াম্না চানবা চেঙ পৈফম-গোদাউন অহানবা শারকপা, চঙফম (গেট) অদুদা নোংমা অয়ুক অমা অশিবা হকচাং অমা লৈরে তাবদা য়েংবা লাক্লখিবা মীয়ামদু, ঙরাংতা ওইরবোই নীংই, মনাক্তুদা কনামত্তা চঙশিন্দে, কিনা য়েংনৈ অথাপ্পদই। হায়নৈ গেট’তা সন্ত্রি তারিবা সিফাইদুনা হাৎপনি। মী হাৎপই পাউ অসি অঙকপা পাউ ওইরম্মী। মান্নি, মতম অদুদা সঙাইপ্রৌ- তাম্লবা খুঙ্গং অমনি।

চেঙ পৈফম শঙজাও কয়া শারকপা, পাকথোক্লিমখৈ লোইনাইদবা লমহাংনা মায়কৈ মরীদা শন্দোক্লম্মী।

মতমগী খোঙজেল কয়া’-য়াঙনা চেল্লিবা! মথক্তা শৈথাজরিবসি ঙসি কনাগুম্বা অমনা এফ সী আই গোদাউন, এফ সী এস গোদাউন অনীতুনা লৈমিন্নরিবসি উরবদি মীরোল কয়াগী মমাঙদা লৈরম্বা শক্তম অমগী ৱাখলনা শাগৎপা দৃশ্য ওইনা উরনি। মীৎমাংসিদা উনা উনা হোংলক্লিবা অহোংবসি উরগা থাজবা ঙমদে-অসুক থুনা হোংলক্কনি। ঙসিদি ঐহাক লৈঙাকসিদা হায়নিংলে- গোদাউন অসি মফম চাদ্রে হোংদোকখ্রসি। য়ুম্লক্তবু অসিগুম্বা গোদাউন থম্বা হৌনবরা? অদোমসু শোয়দনা হায়রক্কনি। হৌজিক্তি গোদাউন অসি খুল (খুল নত্তে), সহর অমগী ময়ায়দা থম্বগা পাংখক ওইরে। মরুওইবা স্কুল অমদি কোলেজ কয়া অকোয়বসিদা লিংখৎলক্লে। নাক-য়েৎ, মাঙ-তুং রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং, মথোল লোঙবা লৈননবা য়ুম্না কৃক-কৃক ইন্ননা শাগৎলক্লে। গোদাউনসিগী মমাঙগী লম্বী, নেসনল হায়ৱে অনীগী শম্না লম্বীসু ওইবনা, জেনরেল পব্লিক’না চৎনবা খ্বাইদগী মরুওইবা, মী চিনবা লম্বী অমা ওইরক্লে। লম্বীসিদা নত্তনা, গোদাউনসিদা চেঙ থাবা লাকপা হেভি ভেহিকলশিং লাক্লনবা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। নুমীৎ খুদিংগী মফমসিদা চেঙ বেগ লীশিং

কয়া অনলোদ তৌনবা থৌজিল্লকপা ট্রক গাড়ী অমদি অপলোদ তৌরগা থৌদোকখিবা ট্রক-গাড়ী মশিং-মঙা নত্তে, তরা নত্তে, চা’দা খুজিং ওইরগনি। ফন নীংথিনা শেম্লবসু লম্বী অসি অমুক্তা চহী ফানা অফবা-লম্বী ওইবা ঙমদে।

লম্বী ফবা ফত্তবগী ৱাদু তোক্লসি। লৈকায়সিগী মী অমা ওইনা, উদবা য়াদ্রবা য়েংহৈদ্রবা দৃশ্য অমত্তং পাউদমজগে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী ঙমখৈ লান্না লাকপা দ্রাইভর অমদি সেকেন্দ দ্রাইভর কয়া গোদাউন মনুংদা অনলোদ তৌনবা পর্মিট ফংদদুনা নুমীৎ কয়ানি লম্বীদা লেক্তুনা চাদুনা লৈবা তানফম য়াওই। নোংফাদোক নত্তে, অমা চৎখ্রগা অমা রিগুলার প্রক্টিস ওইরবনি। চাশিল্লুরগা মশা ৱাই শংদোকপা-মীওইবা খুদিংনা তৌফদ্রবা থৌদা অমনি। মার্কেট-প্লেসতি নত্তবনা প্রাইভেট টোইলেট কমপ্লেক্স-কনানসু শাবীদে। মহৌশানা কৌরকপা, খুম্লুদবা য়াদবনা কোরৌহনবা থোক্লক্ত্রিঙে অহাংবা মফম থিরকই। মোদিগী স্বাছ ভারত অমদি সেনিটেসন কেম্প্যেন-শিংনরকপা তারকই। কনানা মাঙজে? লৈকায়সিগী মীয়ামশিং।

মরম অসিনা, ফীভমসিনা শোকচিন্দ্রিঙে- গোদাউন অসি হোংদোকপা, তঙাইফদবা অমনি। পাউদম অসি চোইরোল নত্তে, তৌফদ্রবা ৱাকৎ অমনি।

লৌশিং পুক্কে

# গাড়ী থৌরিঙৈদা তূম্নিংলক্লবদি মতাইদা খাল্লগা মিনিট ১০/২০ দং ওইরবসু তূমগদবনি

মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা চাদা ৮৫ রোম পোলিফেসিক স্লিপর ঙাক্তনি। হূই ওইরবসু হৌদোং ওইরবসু নুমীৎ চুপ্পা ঙাইহাক ঙাইহাক তূম্লগা ঙাইহাক অমুক হৌগৎলি।

মীওইবদী মোনোফেসিক স্লিপরনি। মীওইবনা নোংমগী মনুংদা তূম্বা অমসুং হৌগৎলগা থবক ইনখাং তৌবগী মতম তোখাই-তোখাইনা খায়দোকই। পীক্লিবা অঙাং অমসুং চহী য়াম্লবা অহলশিংদি অয়ুক-নুংথিলদসু ঙাইহাক-ঙাইহাক তূম্বগী হৈনবী লৈ।

মমাঙঙৈদা কুম অমগী কোন্নগদবা চাংদা চেঙ-চাক পৈশিল্লগা লোইরে খন্নরিঙৈদা থবক ইরৈ-লৈনরমদ্রবসু মতমগী ঈচেলনা পুরকপা অহোংবনা ঙসিদি মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নরে। নোংমা ফাদোকনৎতনা অয়াম্বা মতমদা পোথাদুনা লৈথোকপা শংনরক্তে। মরম অদুনা অয়ুক-নুংথিলদি লায়রদনা নুংমীদাংদা ফাওবা তূমশিৎ ফানা তূম্বা ফংদবগী ফীভমদা লৈরে।

অখণ্ড-অহৈশিংনা থিজিনবদা খঙলকপগী মতুংইন্না নুমীদাং তূমশিৎ ফাদ্রবসু নুংথিলদা ঙাইহাক ঙাইহাক মিনিট ২০/৩০ তূম্লবদি পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহনবগা লোয়ননা ইশাগী ইথৌ পাঙথোকপদা খোঙজেল য়াঙহল্লি হায়রি।

ৱিন্সটন চর্চিল, জোন এফ কেনেদি, রোনাল্ড রেগান, নেপোলিয়ন, অলবর্ট এনষ্টাইন, থোমাস এদিসন অমদি জোর্জ দব্লিয় বুশনচিংবা মালেমদা ফাওখ্রবা মীওই কয়া নুংথিল ঙাইহাক ঙাইহাক তূম্বগী হৈনবী থমখি। নুংথিল তূম্বগী মওং অসি মখল অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই। কনাগুম্বনা তূম্নিংবা ফাওদ্রবসু অদুম্মক তূমশিল্লি। অয়াম্বা মতমদা নুমীদাং থেঙনা তূমগদবা মীওইশিংনা থৌরাং অসি লৌখৎনৈ। মসিবু প্লান নেপ্পিং নৎত্রগা প্রিপেরেটরি নেপ্পিং কৌই।

কনাগুম্বনা অকক্লবা মতম অমদা নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল ঙাইহাক ঙাইহাক তূম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা পীক্লিবা অঙাং অমসুং চহী য়াম্লবা অহলশিংনা অয়ুক্কী চাক চাবা তোক্লগা ঙাইহাক ঙাইহাক তূম্মী। মসিবু হেবিচ্যুয়ন নেপ্পিং কৌই।

পুম্নমক অসি নৎতবদা খঙহৌদনা



তূম্নিংলকপদগী নুংথিলদা ঙাইহাক তূম্বসু য়াওই। থৌওং অসিবু ইমর্জেন্সি নেপ্পিং হায়না খঙনৈ। য়ু এসকী নেসনেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) দা চথুখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না মিলিটরি পাইলোট অমসুং এষ্ট্রোনোটশিং নুংথিল ঙাইহাক তূমহনবা মতমদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লকপগী খুদম ফংখি।

সেন্ট ল্যুক’স হোস্পিটালগী স্লিপ মেদিসিন এন্দ রিছার্চ সেন্টরদা ষ্টদি অমা চথুরবা মতুংদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, নুমীদাংগী মতমদা থবক শুবা (নাইট শিফ্‌ট ৱার্কর) মীওইশিংনা হকচাং চোকথবা অমসুং মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপা য়াই। হায়রিবা মীওইশিং অদু নুমীৎ খুদিংগী নুংথিলদা ঙাইহাক ঙাইহাক তূম্বা মথৌ তাই। মদুমক্লা নুমীদাং তূমহৌদবগী মাঙবা পুম্নমক মেনখৎপা ঙমদ্রবসু খরামখৈদি কান্নবা ফংই অমসুং মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লি।

তূম্নিংলিঙৈদা গাড়ী থৌবা খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়বা মীওই অয়াম্বনা খঙনরবসু নম্ফুদা অদুম থৌজিনবগী হৈনবী লৈনৈ। মদুনা থৌরিবা মীওই অদুতা নত্তনা তোংলিবা মীওই খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লি। অয়ুক হৌগৎলগা গাড়ী থৌদুনা লমশাং চৎকদবা লৈরবদি য়ারিবমখৈ অহিংদা মপুং ফানা তূমহৌগদবনি। তঙাইফদ্রবদি গাড়ী থৌরমদাইদা ঙাইহাক মীৎকপ অমা তূম্বা ফাওবা কায়দে। করিগুম্বা গাড়ী থৌরিঙৈদা তূম্নিংলক্লবদি মতাইদা ঙাইহাক খাল্লগা মিনিট ১০/২০ দং ওইরবসু তূমগদবনি।

ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা রিছার্চর জেমস কে ৱালসনা হায়খি, মীওইবগী হকচাং অমদি মসিগী কয়াৎশিং নুমীদাংগী মতমদা পোত্থানবগী মওংদা শেম্লকখিবনিনা নুংথিল ফনা কুইনা তূম্লবসু নুমীদাং চুপ্পা তূমদনা থবক শুবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরকই। নুংথিল ঙাইহাক তূম্বগী কান্নবা ফনা য়াম্না লৈরবসু মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা কান্নবা পীদে। খুদম ওইনা হায়রবদা মশাগী ফম্মুং নৎত্রবদি ওফিস নৎত্রগা অতোপ্পা মফম অমদা হেক্তা তূম্বা হৈনদবা মীওই কয়া লৈ। ফনা তূমনিংলবসু অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা তূম্বা হৈনদবা মীওই কয়া অমসু লৈরিবনি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা, নুংথিল ঙাইহাক তূম্বা ফৈ হায়দুনসু মিনিট ১০/২০ দগী হেন্না তূম্লবদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকই। খুদম ওইনা হকচাং ইতন-তনথবা, হৈনিংদবা অমসুং হৌগৎনিংদবা অসিনচিংবনি। নুংথিল খরা কুইনা তূম্লুরবদি নুমীদাং তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লকপসু য়াই। রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংদদি নুংথিল তূম্বনা হার্ট ফেলিয়রগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা লৈখ্রবনি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরদুনা মতম চানা নুমীদাংদা মপুং ফানা তূম্বা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি। অদুম ওইনমক নুংথিল ওইরবসু হকচাং চোকথরকপা নৎত্রগা উইরকপা তারবদি ঙাইহাক তূম্বা মতমদা হকচাং তেকখৎলকই অমসুং ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই হেনগৎলকই।

# সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাঙওইননা হট্টাদা ওপরেসন চথুবদা নুপা ১৫, নুপী ৭ লৌখৎখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): টুরিজম দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী হৌরগা নুমিৎ তরানি চুপ্না চথুগদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেল অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা ঙসি হট্টাগী মনা ইঙ্খোল এরিয়াদা থি-হুম্বা চথুখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩৫ দগীনা ৪.২০ ফাওবা চথুখিবা ওপরেসন অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি কে মেঘচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী এদিস্নেল এস পি (ওপস) এম কুমারজিৎনা লুচিংবা কম্মান্দোগী টিম অমনা চথুখিবনি।

ওপরেসন অদুদা হট্টা মনা ইঙ্খোলগী এরিয়াদা লৈরম্বা নুপা ২৭৬, নুপী ৯৭ রোম লোয়ননা লম্বীদা লাকপশিং য়াওনা কৌথোক্তুনা লম্বীদা পরেং শানা লেপহন্দুনা থমখি। চহী ১৮ দগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমদি নুপীশিং অদু অমমমতা ওইনা ৱাহং পাউহং চথুবগা লোয়ননা মশাগী শক্তাক চেনচিংবা চেক তৌখি। মদুদা নুপা ১৫ অমদি নুপী তরেৎখক নত্তনা অতৈদি লোয়না থাদোকখি। মখোয় ২২ অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এদিস্নেল এস পি, এম কুমারজিৎনা মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, লাক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেল অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা মাঙজৌননা ইম্ফাল ইষ্টকী এরিয়াদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অয়ুক অমদি নুংমিদাং খায়দনা থিবা-হুম্বগী থবক চথুরি। অশানবা য়ুমদা লৈরম্বা মীওইশিংসু চেক তৌবগা লোয়ননা মীতোপ্পচিংবা লৈৱ্রা হায়দুনা থিবা-হুম্বা চথুখিবনি। চথুরিবা ওপরেসন অসি মখা তানা সঙাই ফেষ্টিবেল লোয়দ্রিবা ফাওবা চথুখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মমাং চহী খরদা সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংদা পেলেস কম্পাউন্দ মনাক্তা আই ঈ দি অমা পোকখায়দুনা রিক্সো দ্রাইভর অমা শিখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি।

অমরোমদা, সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাঙওইননা হৌজিক ইম্ফাল সহরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা অহিং নুংথিল নায়দনা মৈগী লৈতেং শেম্বগা লোয়ননা লম্বী ময়ায়দা লৈবা মেদিয়ানশিংদসু মকে শেমদুনা মশক ফজনবা শেম শাবগী থবক কন্না চথুরি। সঞ্জেনথোংগী নৌনা শাখিবা থোংসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম লম্বী তঙ্খায় থিংলগা ফায়র সর্ভিসকী ৱাটর টেঙ্কর শীজিন্নদুনা চামথোকপগী থবক চথুখি। লম্বী তঙ্খায় থিংখিবা অদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোনুং মমাং ট্রাফিক আইলেন্দ এরিয়াদগীনা সঞ্জেনথোং ফাওবা ট্রাফিক জাম থোক্তুনা মীয়াম চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি।

লম্বী চৎপা মীওই খরনা ফোঙদোরকপদা, মী য়াম্না চিনবা মতম অসিদা লম্বী তঙ্খায় থিংলগা সঞ্জেনথোংগী বার চামথোকপা অসি অয়ুক অঙনবা নৎত্রগা নুমিদাং অথেংবদা তৌবীরগদি মীয়াম চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্লিবসি খরগীমখৈদি শাফগনি হায়রি।

## জিরিবামদা য়ু মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমদি ইমা মৈরা পায়বী অনীনা খুৎশম্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী য়ু ফাগৎলবা মতুংদা জিরিবামগী বাবুপড়াদা মীয়াম মমাঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

য়ু মৈ থাবগা মরী লৈননা কাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এন কুমারিনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি য়ু মৈ থারিবা অসিদা নত্তে। মখা তানসু ফাগৎতুনা মৈ থাখিগনি। য়ু য়োল্লিবশিংসু য়ু য়োনবা লেপ্পীরো। ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিং অসি য়ুগী ঈপাক্তগী তাওরক্লিবা অসি কন্নবা হোৎনবনি। অঙাংশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইরিবা য়ু শীজিন্নবা থাদোকহন্দুনা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগী পান্দমদা কাদা অমদি ইমা মৈরা পায়বী অনীনা চথুরক্লিবা খোঙজং অসিদা জিরিবামগী মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়না মীয়ামগী পুক্নিংসু চিংশিননিখ। পনবা য়াবদি লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা কাদানা লুপ কয়াগা খুৎশম্ননা দ্রাইভ কয়া চথুদুনা লাক্লিবনি।

## ৩৮ শুবা ইন্টরনেসনল ট্রেদ ফেয়রগী দি আই পি আরগী ফোটো মেলাদা মীয়াম্না য়েংনখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): ন্যু দিল্লিগী প্রগাটি মাইদান্দদা থা অসিগী ১৪ দগী হৌরগা ২৭ ফাওবা চথুগদৌরিবা ৩৮ শুবা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল ট্রেদ ফেয়রগী ঙসি হুমনি শুবা নুমিৎতা দি আই পি আরগী ফোটো মেলা অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী ষ্টোলদা মীয়াম্না চঙদুনা য়েংনখ্রে।

মেলা অদুদা ইন্দিয়া ট্রেদ প্রোমোসন ওর্গনাইজেসনগী সেনিয়র জেনরেল মেনেজর জয়ন্ত দাস চৌধুরিনা ষ্টোলদা চঙদুনা অৱাৎ অপাশিং হংলমখি হায়রি। ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা রেসিদেন্ট কম্মিস্নর লাক্কদ্রা হংলম্বগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী অচিবমেন্ট ফোটোশিং থেৎলিবশিং অদুসু য়েংখি।

মথংদা ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী ষ্টোলদা অমুক চংদুনা লমদম অসিগী খুৎশা হৈবগী পোৎলমশিং য়েংবগা লোয়ননা পোৎ চৈ কয়াসু লৈখি হায়রি। নবেম্বর ১৭ কী নুমিদাং পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা প্রগাটি মাইদান্দগী হমাস ধৱানি থিএটরদা মণিপুর লৈঙাক্কী টেক্সটাইল অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ, ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি টেক্সটাইল অমসুং কর্ম্মস, পি ৱাইফৈ, আই এ এস অমসুং দিরেক্তর ট্রেদ এন্দ কর্ম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ সী অর্থর ৱোরচুইয়ো আই এ এসনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইদুনা মণিপুর ডে সেলেব্রেসন পাঙথোক্কনি হায়রি।




